> *“নুংঙাইথোকপা হায়বসিনা ঙমখৈ অমা লানখ্রবদি চৈরাক্নী মশক ওইরকই।”*
> *- Marcus Aurelius, dead poet*

শৈরেং

অরোনবা মায়খুম

— প্রমোদিনি থৌনাওজম

পলেম ওইবী ঐনা
থাবুম তরা নাওপুদুনা
পারি ওইনা ফংজখিবা
ইচানি নঙদি ইমাগী
শক্লোন চাম্মা লৌরসু
মায়খুম কয়া উপ্লসু
করিগী খঙলোই পারি।
মায়কৈ খঙদা হুল্লকপা
অশাবা নুংশিৎকী শাহুমদা
খুইথরবা পাম্বোম থাঙ্গৎনা
অমম্বা মৈখুতনা শিনখ্রবদা
খ্বাংচেৎ মচি লাংদুনা
পারি নঙবু ঙাকখিবা
নত্তবরা নখোয়গী পলেমদো।
ফনেক ফিদোন চিংখৎ
নমদা লৈতেংলম্বা ইনফি
কোকথক্তা থাঙ্গৎ কোকশেৎনা
মোংবা ইরানয়াই থাদোক্তুনা
লমলৈমা শক্তম লৌদুনা
ঙাকচা শেঞ্জবনা ইথৌদাং ওই
লেপচবনি কাউরব্রা নখোয়গীদমক।
শরী ৱাশক পরৈনা
শাফি লানফি লৈতেংবী
য়েক্লা মায়োক্লবা লানফমদা
লানঙম ফিরাল থেৎলকউ
পুকমেন পাউমেনখিবা কাউবরা
হু পুবা কনাগী চিরোল তারগা
করিগী ওল্লক্লি তম্নলাই।
অরোনবা মায়খুম উপ্তুনা
কনাগী ওইদা চিরোলদা
ওইরক্লিবা শকখঙদবা ফীমু শেৎপা
মমাদি মমানি কাউগনু পারি
মচাবু করিগী শকখঙলোই
মমাগী চরম মেৎলিবা হায়য়ু
কনাগী ওইদা চিরোনগী লাংনো।
ঙাকপীবনা মমাগী থৌদাংনি
অথোৎপা থম্মোয়গী মপুনি
চাম্মরক লাল্লবসু ৱারৌদা
ঙসিসু লেপ্লি লম্বীগী চিদাইদা
অশেংবা শক্তম পুরদুনা
ফীমু শেৎপা মিংথোল থাদোক
অশেংবা শক্তম্না লেপ্পবা ইমাংদা।

নাওশুম ঈশৈ ওইনা

— ইরোম মোবি

থা থা থাবুংতোন
নচা মোরাম্বী পোবীগে
পোম্বী সনম নম্বীগে
হৈবোং চরোং অমত্তা থাদবীরকউ।
মচেনা মৌপ্পা পোরগা
থাবলদা শক্লরম্মী।
থাগী মমায় য়েংলগা
অঙাং শুন্নরম্মী
থাগা মীগা নক্লরম্মী নুংশিনরম্মী।
মেরা থাগী থাবলদা
শাবী-শানৌ ঙাওনরম্মী
ঙাওনরি হৌজিকসু।
থাগী লমদগী
হৈবোং থাদরক্লুগা চানরম্বোই।

মীকপথোল

— ঙাংবম থবাতোম্বী

তাঙ্গোয় তারবা সহরগী লৈমায়দা
তেকথ-কায়থরবা ফুরা-দলানগী
উৎ ওল্লবা মচেৎ মকায়শিং!
অকি শকপুনরবা খুঙ্গংগী মথানুংদা
শীঙম নাঙমদ্রবা থৱায়শিংগী মীকপথোল!
তারিব্রা লান পাম্বা নখোয়না?
নুংশিরবা নাওশুম ঈশৈ ওইনা।
থদৎপীরগা খুৎশম্নরিবা খুৎশাশিং
মাঙহনবীরগা হিংমিন্নবগী লীপূন
মুনবীখ্রগা মীনুংশি থম্মোয়দগী
করম্না হায়গনি নখোয়বু
থৌজাল হৈবা মীওইপোক্নি।
মহৌশাগী অচিকপবু থুগায়বীরদুনা
ঐগী, মীগী, মাগী
ৱাংনা খাগৎলিবা শম্বলসিদা কায়দোংলদুনা
কোয়না লৈনা পাইরম্বা
খুঙ্গংগী চেক্লাশিংনা ঙসিদি
করম্বা ঈশৈনো শক্কদৌরিবা।

কুমগা লাই পাখ্রে

— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

কোভিদনা নৈহৎপীরবা মতুং
মতোল খজিক থিনগৎলকপদা
মঙাইরিঙৈ কুইদে থংনবা
মীকুপ্তা কাঙলূপ অনীগী
নুংশিদবগী মৈরিনা শন্দোকখিদুনা
তাঙ্গোয় তানা চাক্লকখি।
মশক ফাওবা উনবা য়াদনা
লৈনরিঙৈ চৈরক অসিদা,
মহৌশা লাইরেম্বী ইমানা
অঙকপা অমুক্তা থোক্তবা
থৌওং অমদা লান্দারকখি।
মীওই কয়া লৈফম লৈতনা
ৱানা খাঙখি, খুঙ্গং কয়া
লৈকায় কয়াগী য়ুমশিং
লেনজাওনা হৈথরকখি।
কুইদে মথং অমা অমুক থুংলৈ
থৱান্মীচাক মশীং থিবা য়াবরা
য়ুমশিং মেনবা লোইহৃদ্রিঙৈ,
লেপ্তুনা চুরকপা নোংজু অমনা
লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা
ঈশিং ঈচাও অমুক মায়োক্লখি
অসি ওইবা তাই লায়রবদা লাইজংবা
কুমগা লাইগা পাবা হায়বদো।

মালংদুগী মপাও

— আর মে মীনা

> শানৈ লোইনাইদ্রবা ৱারী নোক্লা হরাওনা
> পূন্সিগী ওল্লকপা শক্লোন্দা ঙক্তবদি ঙমদে
> কাউমিন্নৈ সংসারগী ৱাখল মালংদা তাউদুনা
> য়ৈরকই হকচাংদা নুংশিৎনা লৈনমগা লোয়ননা

উপালশিংগী শাৎলিবা লৈরাং কয়াদগী
হায়নীংলকই ঐহাক্না তূমিন্না
কমদৌনি হৌজিক্তি ওনশিল্লোদনা
মীৎয়েং অদু নুংগী সংসারদা
মীৎ তাংলবা মীলটনগুম্না হোমরগুম্না
ওক্লেন্দনা পানগী ফজবা য়েংবা
য়েংলো হৌজিক্তি নুংগী সংসার
সাধুশিংনা উখিবা খনখিবা থেংনখিবা
থোকপা ঙমদে ৱাখলসি চীনসিদা।

পঙহায়দা হায়জিল্লু

— খন্থবা মঙাং

লুচিংবনি লৈবাক্নী
ওইদবা ঙাঙলগা
লুচিংবা মাল্লিদো!!
অমদনা অমা
অমদনা অমা
য়ান-য়ানবা
ঙাইহাক-ঙাইহাক্নী!!
ঙম্ন-ঙম্নবা
থম্মোয়দগী থোরক্লসু
অচুম্বমক নৎত্রসু!!
ঙাইহাক্নীদি মান্নবা
ওইদবনি খঙখিদনবা
য়াম্না মান্না
পঙহায়দা হায়জিল্লু!!

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’

(নিংথৌরোল লম্বুবা)-(২২০)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মিংথোল মিংকৌয়ে। মকোকনা ঈশিং ঈপাকথকতা। ঈঙাং তোকনা তারমমে। ঈহাং লা ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। লাইরেল মৈদিংঙুদি লমবাল ৱাইপৎসি। হেকপসি হেসোলপাল। কুমবা লৈরকসি। ঙাশেপ লাইকং ই। নোংবাললোই লোইচা য়াঙবনা। লোইমোম ফৌরম চেনবা লম। ঈসোই লোক। ঈহাং লমদা হুয়েল লালদা খৌশাবা। য়াইথীঙ কৌরোংসু। নিংঙোল কোলনুসু মিংকৌবা। লাকচাথীনা লাঙমবা। কাইনা হুলবা ও। মিংকৌনখিয়ে। লাইরেল মৈদিংঙু পোইরৌ হিথাবা লমলাং লৌরোকপগী। তুবী সনা খুৎশু খূৎপায়না। লালদাখিবদি অসিনসু লোইবা লৈখিদে। মাইকৈ নোংপোক পাংনা থংবা লম। শেললোই লমদমগী মফম অমা। মাইমা তাইমা খোইমোম লাইরেমমা মকাইফম। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯲꯲꯰)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯒꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫)

ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯃꯀꯣꯛꯅꯥ ꯏꯁꯤꯡ ꯏꯄꯥꯛꯊꯛꯇꯥ꯫ ꯏꯉꯥꯡ ꯇꯣꯛꯅꯥ ꯇꯥꯔꯝꯃꯦ꯫ ꯏꯍꯥꯡ ꯂꯥ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯗꯤ ꯂꯝꯕꯥꯜ ꯋꯥꯏꯄꯠꯁꯤ꯫ ꯍꯦꯛꯄꯁꯤ ꯍꯦꯁꯣꯂꯄꯥꯜ꯫ ꯀꯨꯝꯕꯥ ꯂꯩꯔꯛꯁꯤ꯫ ꯉꯥꯁꯦꯞ ꯂꯥꯏꯀꯪ ꯏ꯫ ꯅꯣꯡꯕꯥꯜꯂꯣꯏ ꯂꯣꯏꯆꯥ ꯌꯥꯡꯕꯅꯥ꯫ ꯂꯣꯏꯃꯣꯝ ꯐꯧꯔꯝ ꯆꯦꯅꯕꯥ ꯂꯝ꯫ ꯏꯁꯣꯏ ꯂꯣꯛ꯫ ꯏꯍꯥꯡ ꯂꯝꯗꯥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯥ꯫ ꯌꯥꯏꯊꯤꯡ ꯀꯧꯔꯣꯡꯁꯨ꯫ ꯅꯤꯡꯉꯣꯜ ꯀꯣꯂꯅꯨꯁꯨ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ꯫ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯡꯃꯕꯥ꯫ ꯀꯥꯏꯅꯥ ꯍꯨꯂꯕꯥ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯀꯧꯅꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯄꯣꯏꯔꯧ ꯍꯤꯊꯥꯕꯥ ꯂꯝꯂꯥꯡ ꯂꯧꯔꯣꯛꯄꯒꯤ꯫ ꯇꯨꯕꯤ ꯁꯅꯥ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯈꯨꯠꯄꯥꯌꯅꯥ꯫ ꯂꯥꯜꯗꯥꯈꯤꯕꯗꯤ ꯑꯁꯤꯅꯁꯨ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯄꯥꯡꯅꯥ ꯊꯡꯕꯥ ꯂꯝ꯫ ꯁꯦꯜꯂꯣꯏ ꯂꯝꯗꯝꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯑꯃꯥ꯫ ꯃꯥꯏꯃꯥ ꯇꯥꯏꯃꯥ ꯈꯣꯏꯃꯣꯝ ꯂꯥꯏꯔꯦꯝꯃꯥ ꯃꯀꯥꯏꯐꯝ꯫ ●

মতম মতমগী ৱাখল

লাইরিক ইবা ওজা

নত্তে মহাক্তি আর্নেষ্ট হেমিংৱেগী এন ওল্ড মেন এন্দ দ সি, নত্তে ওজা নোংথোনবম কুঞ্জমুহোনগী ইলিশা অমগী মহাউগী প্রোটাগোনিষ্ট ওইবা মণিগী মপা । ৱারীমচাগী মহাওদা, লাইরিক্কী মহাওদা লুপচরিবা অচম্বা ওজানি। জি সি তোংব্রগুম্না দ্রামা ইবা, ওজা এলাংবম দিনমণিগুম্না মী নোকহনবা ঙম্বা অদুসু নৎতে অদুবু ইখি রেডিও লীলা কয়া। নুংঙাইহনবা ঙম্মী রেডিও লীলা তাজ রিবশিংদা নোক্লিংহনবা, নুংঙাইহনবা ঙম্মী পারুরগা ৱারীমচাশিংগী লাইরিকশিং ওজাগী ।

ইবসি ৱাখল অমদি পূক্লিংগী শাজেল অমনি। ইনীংঙি হায়দুনা পংই ইবসু য়াবা ওইদে । চে কলম পায়খৎলগা ময়েক থোক্তবা মতমদা ওজা নোংথোনবম শ্রীবীরেন্না কন্না লাওখি, ‘ৱাহে পীয়ু ইমা ৱাহে পীয়ু’ । নেপোলিয়ানগুম্না থাংশাংগী মহুৎতা ইননবা কোলোমগী থাং শৎলগা লাওখি । ইবদা অহল ওইবা লৈতে, অহল ওইর ওইরগা নহাগী ৱারী ইনবা হোৎনরিবা অইবা অমা হায়রগদি ময়ামগী ওজা মাইবম নবকিশ্বরনি। ওজাগী ৱারীমচাশিং পারগা ফংবা নুংঙাইবগা, ওজাগা হকথেংননা উন্নজরগা ঙাঙলকপদা ফংবা নুংঙাইবগা, নুংঙাইবা অনীগী মহাও খেন্নদে চপ মান্নে ।

থবক্তগী হেক পোথাখিবা মী অয়াম্বা অহল থুনা ওইগল্লি । মাঙ্গোন্দা ফল্লগা অয়ুক্তগী খবর পাউচেগী চেনা শুনবা পারবা মতম লেনবা মী য়াম্না উখি । কনা অমনা, লৈকাইগী লুচিংপুরেল, এডভাইজর ওইবসু লৈ । কনা অমনা চন্দোন লম্পাক অমা থিল্লগা লাই নীংবা ইস্কোন য়াওখিবসু উজে। মাগী মাগী ৱাখলগী পোথাফম থিবনি করিসু কায়দে । পেনসন ফংলবা মী খরনা অয়ুক ৱার্কিং থোকলকপা উখি। মীগা কৌনদে মথন্তা চৎলি । য়েন্সাং লৈরগা লীচৈ মতোন্দা হাপ্পগা য়ুমদা তপ্না হাইথরকপসু উখি। ওজা নবকিশোরদি পূম্নমক্তগী তোঙাল্লি । লাইরিক ময়াম অমা ইরগা ফোংলি । লাইরিকসু মখল মথেলনি- ৱারীমচা, ৱারী মপূম, লীলা ড্রামা, নৈনৱারী অসিনচিংবনি। ওজানা পামজবদি মহাক্না ইবা লাইরিক পাবীবা, ওজানা ঙাঙজবা ৱা ৱারবসু ৱানা খাঙলগা লোইবা ফাওবা তাবীবদুনি। ওজাগী শিনফমদা লাকপীরগা শিনফম অসিদা থবক্তগী পোথাজখিবনি অদুনা ঙাঙজবা অসিদি শিনফম্নি।

হৌজিক্না লাইরিক কন্না ইদুনা ফোংবীরি । ওজাগী খোমজিনবা ৱারীমচাশিংগী অপূনবা লাইরিক অমা ঙসি জুনগী তাং ৩০,২০২৪ অসিদা ইম্ফালগী প্রেস ক্লবতা ফোংবীগদৌরি। ওজাগীদমক য়াইফবা, পূক্লিং, হকচাং নুংঙাইনা মখা অমুক্কসু ইবীরম্নবা নীজরি ।

ঐনা খঙ্জখি- মণিপুরগী শক্লাইখিবা অইবশিং- খ্বাইরাকপম চাউবা, লমাবম কমল, হিজম অঙাংহল মখোয়না হিংলিঙৈদা লাইরিক কয়াম পারমগনি । মখোয়গী মতমগী পূন্সি মহীং,মাংবা শেংবা, লাইনীং লাইশোন, নীং তম্বগী লান, লম্বী থোং, লৈরক খুল্লক । মখোয়গী মতমদা মোবাইল ফোনসু লৈখিদে । টেলিভিজন উখিদে । এরোপ্লেনসু লৈখিদবা মাল্লি । মখোয়গী পূক্লিং ৱাখলগী কৈরাক্তি,সোরারেল নোংথক য়ৌই। খ্বাইরাকপম চাউবগী খুৎইদা নোকৱা থেংনদে, হিজম অহাংহলসু অদুমাঙাই । লমাবম কমলদি য়াম্না তাংনা মাগী ড্রামাগী লাইরিক ‘দেবজানি’ অসিদা নোকৱা শান্নবা থেংনৈ । মতুং তারকপদা ঙাঙথোকলকপদা ওইরগসু ইথোকলকপা লাইরিকশিংদা ওইরগসু পানীংহনবা, নুংঙাইনা নোক্লিংহনবগী ইথিল ফাওহনবা অইবদি, ওজা জিসি তোংব্রা অমদি ওজা এলাংবম দিনমনি অনীসিনি হায়নখি। থেংনজহৌখি, চুমসু চুম্মী লৈবীরম্মী । মখাদি থেংনদ্রি অদুবু য়াম্না তাঙনা নোঙানলমদাই শজিক্কুম্না থোকলকই ওজা মাইবম নবকিশোর। ওজানা ঙাঙথোকপীরকপা ৱাহে-ৱাতাশিংদা,ইবীরকপা লাইরিকশিংদা মকা লাম্না নোকচবা ফংনরি। ওজানা ইরিবসি মী নোক্লবা ফাগীগী লাইরিক ওইনা ইবা নত্তে । ময়াম্না হেক হেক হায়নবা, অচুম্বা ৱানা ফাগী তৌবা হায়বদুনি।

হেমিং ৱেগী ‘এন ওল্ড মেন এন্দ দ সি’, অহল ওইরবা নুপা অমদি সমুদ্রী, ঐনা নীংশিংজরিবসি মরম লৈরি । অহল ওইবা হায়বসি পাঙ্গল শোন্থরবনি। অহল হায়বা মীংথোন অসি পীরবনি। অহল ওইববু কনানা নুংঙাইগবনো ? ইপোম লীলাগী নিংথৌ ওইনাম বাবুনা হায়বিখি, “ নহা ওইরিঙৈদা লাকপা বার্ত্তন, চেপাউদি-লুহোংবগী, য়ুম শঙ্গাবগী, চাকচা-হৈজানবগী লাকলম্মী।, অহল ওইরকপসিদদি বার্ত্তন চেপাউ অসি, শোরাৎ, লান্ন-থৌরম, ফিরোইগুম্বা ঙাক্তা ওইনা লাকই। নহা ওইরিঙৈ মতম অমা নাকোংদা তাখিবা য়াওশঙথাবলগী নুংশিবা মখোল,পেনা খোংজে ামপর্ব্ব ঈশৈ, খুল্লং ঈশৈগী নুংশিরবা খোঞ্জেলগী মহুৎতা কপ্ন-লাওনবা,মী অসীবা পুথোকপগী মাঙ্গং খীংবগী মখোলগুম্বা ঙাক্তা তারে ।” ৱাহৈসি ইপোম বাবুনা হায়বা মতমদা নোক্লগা হায়দে। হায়খিবা ৱাসি ফাগী তৌবসু নত্তে অদুবু অতাবশিংনা ৱান্থবা মখৈ পুক পায়দুনা নোকপীখি । মসি অচুম্বা ৱানা ফাগী তৌবা হায়বদু ওইগদবা মাল্লি ।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা, চহী য়ামশিল্লক্লবা, অহল ওইরবশিংদি মচা-মশু ওইবশিংনা য়ুমগী মপান্দা চৎথোক্লহন্দ্রে । ঐনা খঙজবা মশক নাইবা অইবা, অহল-লমন য়ুমদগী মপান থোক্লদবা কয়া লৈরক্লি । অহল হায়বসি ফজফম ইরৈদি লৈতে । অমুক্কা হেন্না তাবদা নুংঙাইজদবদি, ওল্ড এজ হোম হায়বসিনি। অহল-লমন কনা লৈজদ্রবশিংগী মতেং ওইনবা নুংশিনা থম্বীবা লোইশঙনি হায়বা তাই । অদুবু ঐগী ওইনা নুংঙাইজদে । অহলনা শাবীবা য়ূমদা মচা মশুনা অমুক লৈজবা ফংজবনি। মখোয়না থম্বীরম্বা য়ুমফম্নি। মখোয়গী চাদা নাওদানি। মখোয় লৈরমদ্রগদি ঐখোয়সু লৈরমলোই। কনা লৈজদ্রবগীদি চুম্মী শেন্নবীনবা মফমদা থম্বীবনি অদুবু মচা-মশু লৈনা লৈনা, ময়ূম ইঙ্খোল লৈনা লৈনা অহলশিংগী লৈফমদা তোঙান্না থম্বা য়াওরিবসিমদি ৱারৌজে। হৌজিক্কি মতমদা খরা নহা ওইবশিংনা হায়নবা ৱাহে- অহলনা মাঙ থাবীয়ু । চুম্মী,অহলনা মাঙ থাগনি। মদু ওইজা-ওইথক্কী মাঙ থাবা নত্তে । মচা মশুশিংগী অফ-ফত্তা ঙাকথোকপনি হায়না লৌগনি। থৌজানবীবনি হায়নসু খনবীগনি। নহারোলশিংনা হায়জরিবা ৱা অদুসু করেম্নবা নত্তে ইকায়খুম্নজবনি। অসিগুম্বা লমদম্লি ঐখোয়গী ইরমদমসি।

হেমিংৱেগী অহল ওইরবা নুপা অদুগী মঙলান অদু ঐখোয়না অমুক হন্না নৎত্রগা হঞ্জিন হঞ্জিন্না নৈনদুনা খঙবা চংঙি । সমুদ্র পাক চাউরবা ঈশিংগী ঈপাকনি। পাঙ্গল শোল্লবা অহল অমনা মথন্তনা সমুদ্রগী ঈপাক্তা ঙা ফাবা হায়বসি শীংনবনি। ঙামী ওইরগসু পাঙ্গল য়াওদ্রবনি। মচা মশুনা য়ুমদগী হেন্দোকপীরনু হায়না চৎথোকহন্দ্রবা, ওল্ড এজ হোমদা থমজিনবীরবা মতমদা হেমিংৱেগী অহল ওইরবা ঙামী অদুদি সমুদ্রাদা ঙা ফাবা থোক্লি । ঙামীগী পূন্সি, অহলগী পূন্সি, মীওইবগী পূন্সি, পূন্সি ময়াম অসিগী ৱারীশিং অসি কয়াদা মমল য়াল্লিবনো ?

ওজা কুঞ্জমুহোনসু বরাক্নী তুরেলগী ইরেলদা অহলশীংদা চল্লবা মীয়াই ওইরবা মণিগী মপানা ইলিশা ঙা ফানবা হি থৌদোকহল্লি । ঙামী অনী অসি কদায়দনো অমা মান্নরি । মখোয়না শীংনৈ, পূন্সিগী লানফমদা শীংনরি । ঐগী মীৎয়েংসি অমনি। ওজা নবকিশোর ওজা মশানা শোল্লে, হায়না তৎততনা হেক হেক হায়বীরকপদা ঐনা নুংঙাইজখিদে। ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা শোল্লে মপান থোক্ত্রে হায়বসি তাবদা পূক্লিং লাংতক্লে । চহী য়ামলকপগী পাঙ্গলদি শোল্লম্বা য়াই অদুবু ৱাখলগী লংলা পুন্দ্রি, থম্মোয়গী ইথিল ফোংদোক্লবা ইবগী পাঙ্গলদি নহাদগী হেন্না কল্লি । মসিনি ঐখোয়না তানগে ফংলোইদৌরিবসি ।

মশক্লাইবা অইবা ওজাশিংগী মশীং হন্থরকই । মখোয়না মনিপুরী খোরিরোলগী পুক্কৈদা থম্মীরম্বা কয়া অদুনা মখোয়বু ঙসি ফাওবা খোন্থাং য়ৈনা শোন্নরি। ওজা মাইবম নবকিশোর হনবা লৈতে,হোৎনবা লেপত্রি। হেন্না চেনা মশীং য়াম্না পানবা লাইরিক ইদুনা ফোংবীরি। ওজাগী খুৎই লেপ্তুবা ইচেল ওইনা চেন্থবা ওইসনু । ●

-মাখোনমনি মোংসাবা

ৱারী ককনাউ

মোমো চানীংখোদনা-২

মাগী নুপা বোলাইনা অহিংদুদা থোকখ্রবদা খন্বীতোন হঞ্জিন্দুনা ফমুংদা ঙ্যাও-ঙ্যাও খোংদুনা কপ্লিবা মচাদু লৌখৎতুনা পমখৎলি। তাইনফম খঙদদুনা মচাদু পম্মগা ওনশিন্দুনা চৈবীরুরি।

“তোক-ওহে তানীংদে, মপা মবুক ফত্তবগী মচাসিসু অমুক্তোইবা ঙসিদি লোইরে কপ্পদা, থেম্বগা য়াদে, ঐনে চাক্না চাক লাম্বসিদা, ঙসাইদগী নঙনা চিংবদা ঐসে চিথুংবা শোয়দ্রবনি” হায়রগা ফমুংদা ফমথৈ, মচাদু মফৈবাক্তা ফৈনা পল্লগা মাগী ফুরিৎতু চিংখৎলগা মচাদা খোল্লাং ইনবীরি। মবুক লাম্বগী কপ্পা নত্তবা, মশা নুংঙাইতবগী কপ্পনিনা মমাগী খোল্লাং থকউ য়াদ্রে। অপীকপা মচাগী মখূৎ অনীদু খূতুম তাশিল্লদুনা অদুম হেন্নদুম কপ্লি। তৌফম খঙদ্রবা খন্বীতোন মচাগী মতৌদুসু নুংশি, মবুক্তুসু গ্রোং-গ্রোং খোংবমখৈ লামখৎলকই। মানা পুংকক চাউরক্লবা মতমদা মমা-মপাদা মোবাইল ফোন লৈবীয়ু য়াদে হায়দুনা চাক চারোই হায়না নীংঙাই তৌদুনা চাদবদা, অহিং চাক তিংখৎতনা লাম্লকপদগী, তূমিন্না ইমুংগী মী তাহন্দনা হৌগৎলগা চফুদগী চাক কোথোক্লগা অহিংদুদা চাখিবদু নীংশিংলকই, অদুগা নোংঙাল্লগা কৈমতা চাদবা শাদুনা পৈখিবদো কাউঙল্লক্তে। খন্বীতোনদো মমিৎতগী মপী তারকই।

মপান্দা মাগী নুপানা কৌ-কৌদুনা চঙলকই।

“খন্বী, খন্বীতোন... লোইশিল্লো, গাড়ী লাক্লনি, ঐখোয় ননাওদু গাড়ী অমুক্তা থৌদোরকউ হায়রম্মবনি”। ফিংনা চঙশিল্লকপদা বোলাইদু মাঙ্গোলদা তুশিনখিবগী মখোল অমা তারকই।

“অয়ো ইমা... অশ ইমা...” তাবা নুংঙাইত্রমাল্লে, মচাদু ফৈপম পম্মগা খন্বীতোন মপান্দা থুরেখৈ থোরকই। মাগী নুপানা মখোঙ খুজেংদু মখূৎনা পায়রগা মাঙ্গোলদা ফম্মগা ‘অয়ো...অয়ো...’ হায়না চৈনা খাঙলম্মী। খন্বীতোন চঙশিল্লগা হংলুই,

“কৈদৌরে?”

“খোঙসে লৈথেকখ্রে, তেকখ্রমাল্লে, য়াম নারে”

“য়ু ঙাওবা হল্লবো”

“করেম্নরক্কনু তেক্লবা মাল্লি, ঐবু থুনা অমুক্তা হোস্পিটালদা পুনবা তৌ”

খন্বীতোন হৌজিক্তি নোক্লিংবা অমা ফাওরক্লে। মচা নাবগী হোস্পিটালদা পুনবা গাড়ী ৱাইবা চৎলুবা মানা হল্লক্লুগা মখোঙ লৈথেকপদগী চৈনাদুগা লোয়ননা মচাগী অনাবদু কাউথোকখ্রে, অদুগা মাবু হোস্পিটালদা পুনবা তৌ হায়রিসি য়েংঙুনে। নুপা হায় জাৎসি কয়াদা ঙকখ্রবা, কয়াদা ওইজবা থিরিবনো য়েংঙুনে। শুন্মাইনা খল্লিঙৈদুদা বোলাইনা লাউরকই।

“কৈদৌরিগে?”

“নোক্লিংই”

“কোন্না নাকউ, ঐ খোঙ তেক্লিসি উদ্রো?”

“নচা নারিসিদি খঙদ্রো?

“ওহ! চুম্মীনে, অদুদি কনা হান্না পুখৎকনি?”

“ঐ অমুক্তা খনখিগে”

“খন্দনা মতম মাঙহল্লনুনে নঙবো”

“অহিংসিদা শেল সিকি অমত্তসু লৈতনা কমাইনা ঐনা ইচা অনাবনে, ইৱা মখোঙ লৈথেকপসিনে কমাইনা পুদুইনো হায়সি খনবা তাবা”

“ননাওদু গাড়ী অমুক্তা থৌদোরকউ হায়রম্মবনি”

“থৌদোরক্লনি, নৱাসু লৌদবা নঙনা হায়বদু মানা ইনগদ্রো”

“মা লাক্লনি হায়বনি”

“লাক্লোই, শুংলাক লাক্লোই”

“লাক্লনিনে নঙবো অয়ো ইমা ঐ খোঙ তেকএ”

“কৌ কৌ লাকপ্রা য়েংউ”

“খন্বী...”

“কৈনো?”

“হোস্পিটাল...”

“ঐ সেল মনা অমত্তা লৈতে হায়বনি, শেল য়াওদনা চৎপা য়ারোই হায়বা”

“ননাও লাক্লনি, মানা থোকপা মাইনা তৌজনি”

“অদু য়ারোই, ওইরোই, ঐ চৎপা ঙল্লোই”

অঙাংদুসু কন্না কপখৎলকই। মাগী নুপাদুসু অয়ো...অয়ো... হায়দুনা চৈনা খাঙলি। খন্বীতোনদু নুংঙাইখৎলকপা অমা য়াওরে। মচাদু মপাদুগী মনাক্তা থম্মে,

“ঐসু খূৎসে থুদেক্লুগে, অদুগা পূন্না কপমিন্নরগা লৈরসি, দুনা ফদৌ মাল্লে”

“খন্বী...”

“অদুগী খুকৌদু য়াম তানীংদে”

“খন্বী...তোন”

“কৌরক্কনু হায়বনি, মমাঙৈ লৈশারিঙৈদা মদুগী খোঞ্জেল অদুদা ঐনা পঙথখিবা, মোমো পীজরগা থেমখিবা, ঐনা ঙসি তারিবা অৱাবসে মোমো চানীংলুবগীনি”

মখোঙ লৈথেকপগী চৈনানে, মচা নাবগী নুংঙাইতবনে, শেল লৈতবগী ৱাখলনে, মাগী নুপীনা ৱারৌরিবা ময়ামসিনে খল্লুবদা য়ুগা ঙাওবা হল্লবা বোলাইদু মাগী মরাইবক অদু থীখ্রেদকো খল্লুরগা শিনীংবা অমা ফাওরক্লে, অদুনা মাঙ্গোলদুদা কপ্না লাউনরিবা মরক্তুদা মাসু মখোল নীক্লা হায়রকই।

“খন্বী ঐ লাল্লে, তশেংনা ঐ লাল্লে। ঐসু পান্বে লৈতবনি, করি তৌদোইনো খনফম খঙদবনি। ইমা ইপানসু ঐবু ওক্তে হায়দুনা ইন্থোকপীরে। নঙ ঐবু ৱারৌগনুকো। অসুম্না শুক য়াম্না ৱানা নীংঙমদনা হিংগদবগী শরুক পূন্না শিমিন্নখ্রসিরা?” হন্দক্তি বোলাইদু ইচাউ চাউখৈ কপথোরক্লে। মাগী ৱাদু তাবদা খন্বীতোন য়াম্না নুংঙাইরক্তে।

“অদুম্না হায়গনু, নঙগী শাজৎ-লীচৎসে খরা হোংঙো, কন্না হোৎনসি ঐখোয়গীসু শোয়দনা লাইবক অমা লৈরমখিগনি। হোৎনববু লেপত্রবদি নোংমা মীরক তিল্লকখিগনি। নঙনবু ফরবদি ইকু-ইনেমনসু শোয়দনা নুংশিবীরক্কনি। মচা হায়রা নথন্তনি, নঙনা ওকমন্দবদগী অহলশিংনা ৱারৌবনি। মখোয়গী মরল-মথুমসে মোইনা শিবদা পুখিগদবা নত্তে।”

মখোয় অনী য়েংনৈ, খন্বীতোন মচাদু লৌখৎলগা পম্মে, মখূৎ নাম্মনা মাগী নুপাবু শম্মে, ইমুংদা চঙমিন্নরকই। বোলাইদু থোঙ্গাল লোমদা য়েংথোক্লুই, ননাওদু গাড়ী থৌদোরকপ্রা য়েংবা মাল্লি। ●

- নরেন্দ্র নিঙোম্বা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।